HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বার এসোসিএসনগা খূৎশম্নদুনা খাঙবোক্তা লৈবা সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং থাখিবা

লৌশিং পূক্কে : ঐখোয়গী অকোয়বদা মরাং কায়না ফংলিবা... লামায় ২
লামায় ৪ মীনা পোক্লক্লিসি কৈদৌনবনো?
ঐখোয় পূম্নমক্না ইমা লৈবাক নুংশিসি লামায় ৫
লামায় ৬ ফূরুপ অনীগী মরক্তা নুংশিনদনবা ৱাফম ভাইরেল...
ষ্টার হেল্থকী ইন্সুরেন্স দাটা লিক ওইখ্রে... লামায় ৮
লামায় ১০ দি এস এ ট্রোফি ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট...

জে দি য়ু, মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনাম নবকিশোরগী নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৭তা লৈবা য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা মৈরা পায়বীশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং




Vol. 48, Issue No. 168 | থাংজ, লাংবনগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# জিরিবামগী লানফম : কুকি টেররিষ্টশিংনা মোংবুং মীতৈ খুলদা অমুক্কসু বোম-নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নোংমা-নীনি লেপ্পুরবা মতুং খঙহৌদনা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী মখা রোমদা কিলোমিটর ৭ লোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা মোংবুং মীতৈ খুলদা অকনবা মওংদা বোম অমদি অফবা মখলগী নোংমৈ শীজিন্নদুনা লান্দারকখ্রে।

লানফম অসিগী পাউনা হায়বদা অহানবদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬.২০ লোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা খুল অসি তম্না নোংমৈ মরূ খরা লক্কক-লক্কক তৌদুনা কাপশিনবা হৌরকখি হায়রি।

নোংমৈ কাপশিনবা অসি হৌরক্লম্লবা মতুং ঙসি নুমিদাং পুং ৯.২০ লোম তারকপদদি মখোয়না মোংবুং মীতৈ খুলগা তাইননা লৈরিবা চীংদোন্দগী বোম খক্তা নত্তনা লাইট মেছিন গন (এল এম জি) ফাওবা শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা লান্দারকখিবনি হায়রি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা খুল অসি তম্না ঙসিসু অমুক হন্না লান্দারকপদগী হান্নদগী খুল অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা খুল ঙাকপশিং য়াওনা মফম অসিদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা ষ্টেট ফোর্সনা সী আর পি এফকী পর্সনেলশিংগা খূৎশম্নদুনা হল্লগা নোংমৈ কাপখি। নাকল অনীগী মরক্তা মিনট ২০ লোম লেপ্তুনা খূৎ থোক্লখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবদদি নাকল অনীমক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ ফংবা ঙমখিদ্রি।

নাকল অনীনা মিনট ২০ লোম লেপ্তুনা খূৎ থোক্লখ্রবা মতুংদসু মখা তানা ঙাইহাক-ঙাইহাক কান্নরগা নোংমৈ কাপ্লকপদগী খুল ঙাকপশিং অমসুং ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগীসু হন্দুনা মখা তানা খূৎ থোক্লরি হায়রি।

নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লেপ্তুনা খূৎ থোক্ল রকপদগী খুল অসিদা অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিল্লকখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি জিরি অপূনবা লূপ (জাল) না থোরকপা চেরোল অমদা জিরিবামদা বেজ তৌবা ইন্দিজিনস ট্রাইবেল এদভোকেসন কম্মিটিনা ঙরাং অমসুং নহান থোরকখিবা চেরোলশিংদা মীতৈ লালহৌলূপশিংগী মায়োক্তা কন্দেম তৌবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীতৈ লালহৌবশিংনা কুকিগী খুলশিংদা এটেক তৌরে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লে। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অসিদি অরানবা ঙাক্তনি। হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে। আই টি এ সীনা অরানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা শন্দোরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

করিগুম্বা মীতৈ লালহৌবশিংনা হায়রিবা থৌওং অসি চথরল্লবদি মোংবুং এরিয়াদা দিপ্লোই তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা য়াম্না লায়না খঙদোকপা ঙমগনি হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী অরানবা ৱাফমশিং অসি কয়াম কুইনা ফোঙদোক্তুনা চার্জ তৌরকখিগদৌরিবনো হংলক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, জিরিবাম, তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী কুকি ইনপিনসু ঙরাং চেরোল অমা থোরক্তুনা অসিগুম্বা মখলগী চার্জশিং তৌরকপা লৈখ্রে। চেরোল পূম্নমক অরানবা ৱাফম ঙাক্তনি। কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীচম খুঞ্জাশিংবু হাৎলি হায়বসি হন্দক্তা য়ুরেম্বম কুলেন্দ্র কৌবা মীওই অমা মশাগী ফমুং মক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবা অদুনা চপ চাবা খুদমনি হায়খি।

---

ভাইরেল ওইরকখিবা, অরানবনি শেংদোক্লখিবা ৱাফম চুমগদৌরিব্রা

# ম্যান্মারদগী কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ চঙলকখ্রে হায়রিবসি অচুম্বা ওইনা লৌগনি : কুলদিপ সিংহ

## আর্মি, অসাম রাইফলস অমসুং সী আর পি এফতা দ্রোন মায়োক্লনবা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা লৈরে, হৌজিক ফাওবদা দ্রোন ১৭ লোম জাম ওইহনখ্রে, মণিপুরগী ঈরাংগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৫৩ ফাগৎলে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ম্যান্মারদগী কুকি খূৎলায় পায়বা মীওই ৯০০ লোম মণিপুরদা চঙলকখ্রে। লোয়ননা থা অসিগী ২৮ অদুৱাইদগী দ্রোন এটেক চথরক্কনি হায়বা ৱাফম অমা ইন্টলিজেন্স ইনপুট ওইনা লাক্লিবসি চাদা ১০০ অচুম্বা ওইনা লৌগনি হায়না সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা লৈবা দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, ট্রেনিং নীংথিনা তৌরবা কুকি মিলিটেন্ট ৯০০ মণিপুরদা চঙশিল্লক্তুনা মীওই ৩০/৩০না শাবা গ্রুপশিং খাইদোক্লগা এটেক চথনবা শেম শারি হায়বা ৱাফম অসি তোঙান তোঙানবা ইন্টলিজেন্স ইনপুটশিংদগী ফংলে। মরম অসিনা মসিবু চপ চানা থেংননবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থৌরাং পূম্নমক পায়খৎলে।

থা অসিগী ১৮দা চীফ সেক্রেটরিগী ওফিসতা সিক্যুরিটি এদভাইজর মশামক্না চ্যের লৌদুনা ষ্ট্রেটেজিক ওপরেসন গ্রুপ (এস ও জি) গী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মণিপুরদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলস, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

---

## চূড়াচান্দপুরদগী মীতৈ ১ কল্লগা ইম্ফালদা পুরকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** চূড়াচান্দপুরগী গেলজাং রিজোর্ট মনাক্তা লৈবা মশাগী লোয়নবীগী য়ুমদা লৈরকখিবা মোরে খুনৌ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী লাইশ্রম লানঙম্বা (নাওবা) অপোকপা এল বিরসিং কৌবা মীওই অমা অসাম রাইফলসনা ইম্ফালদা পুবিরক্তুনা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্ল রমগদবদগী কনবীহৌরে হায়না মীতৈ কাউন্সিল মোরে, মণিপুরগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মহাকপু তেক্তা কায়দনা ইম্ফালদা পুবিরকখিবগীদমক কাউন্সিল অসিগী মায়কৈদগী আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল রভরূপ সিংহ অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হয়েং (সেপ্টেম্বর ২১, ২০২৪) দা দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিদা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

## মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়না মনা পীগদবশিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়না থোরকপা চেরোল অমদা পরিষদ অসিনা চংলিবা চহী ২০২৪গী ওইনা তোঙান তোঙানবা লম্দগী খনগৎলবা মীওই অহুমদা পীগদবা এৱার্দশিং লাউথোরকখ্রে।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না কাব্য ভুষণ এৱার্দনা ৱাহেংবম রোমেন মীতৈদা পীরগা সাহিত্য ভুষণনা কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমদা পীবগা লোয়ননা সাহিত্য সেবক এৱার্দনা হৈস্নাম বিরোহিনিদা পীরগনি হায়রি। এৱার্দশিং অসি মথং থাগী ৫ অমসুং ৬তা শিলোংদা পাঙথোক্কদবা পরিষদ অসিগী ১৯শুবা এন্যুএল কনফরেন্সদা লান্থোক্কনি হায়রি।

## ঙসি সেপ্টেম্বর ২১দা বন্দ-ব্লোকেদ কোমথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** হয়েং মহৌশাগুম্না লময়ানবা হিজম ইরাবতনা মণিপুরবু কনখিবা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্কদবনা হয়েং কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা অমদি ইরৈচাশিংনা বন্দ-ব্লোকেদ তৌদুনা থৌরম অসিবু শরুক য়াবা লাকপা মীওইশিংদা অয়েৎ-অপন পীবীগনু হায়না লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা, ইরাবত সিলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনসু হয়েং লম্লাইগী চলৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা থৌরম পাঙথোক্কদবনা মসিদা শরুক য়াগদবা মীওইশিংদি এন আর এফ এমনা কৌরিবা বন্দদগী কোমথোকপীয়ু হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

---

# দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্তা চৈরুবা খুদিংগী কিহন-খংহনবা মানবা থৌওংশিং লেপ্তুনা চথরক্লি : কে এস ঐচ শান্ত

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** জে দি-য়ু মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশোরগী নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৭তা লৈবা য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা



মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইখিবা হান্নগী নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না আই এন ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ইন্দিয়া লৈঙাক্না চাইনা কিবদগী কুকি-জৌ পুল্লগা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবনি : নন্দো লুৱাং

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুকি-জৌশিংনা মতম শাংনা মীতৈদা লান্দাবা ঙল্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না মনীংদা পুঙলোনগী মতুংইন্না কুকিশিংনা জগোয় শাবনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।



চাউনা লেপ্পগীনি অমসুং হৌজিক চথরক্লিবা লাল্লোংসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়ৈরকপা ৱাফম অসি ঙসি 'মণিপুর মূথৎপা য়ারোই' হায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# এম এল এ উসম দেবেননা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এস এল পি দিসমিস তৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৩৬-ৱাবগাই এ সীদগী কারকখিবা বি জে পিগী এম এল এ উসম দেবেন (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ু পাকচাউ, ৩- কৈরক অৱাং উসম লৈকায়গী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেস মীরেপ এম দি ফজুররহিম (৫৩) অপোকপা এম দি ফজুর রহমন, উয়োং চেশোবা মথক লৈকায়না অতোপ্পা মীওই ৩গা লোয়ননা পূন্না রেস্পোন্দেন্ট ৪গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৩ ওফ ২০২২গা মরী লৈননা এম এল এ অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৬ ওফ ২০২৩গী ৱায়েল চথরগা কোর্ট অসিনা জুলাই ২২, ২০২৪দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মায়োক্তা মহাক্না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা এস এল পি (সী) নম্বর ২০৫১৫-২০৫১৬ ওফ ২০২৪ দিসমিস তৌরকখ্রে।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টকী ওর্দরনা মঙোন্দা ফাইন ওইনা পীননবা খঙহল্লকখিবা শেনফম অদুদি সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎখ্রে।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস সূর্য্যকান্ট অমসুং জষ্টিস উজাল ভুয়ানগী বেঞ্চনা এম এল এগী এস এল পি অদু থা অসিগী ১৩দা লৌখৎতুনা খন্নখিবনি। মেট্টর অদু কোর্টনা লৌখৎলকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

---

# শকখঙদবশিংনা মিনিষ্টর সুসিন্দ্রোগী পর্সনেল এসিষ্টেন্ট সোমোরেন্দ্রো ফারগা পুখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোগী পর্সনেল এসিষ্টেন্ট (পি এ) নি হায়বা খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী সরাংথেম সোমোরেন্দ্রো (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস অকোইবী এলিয়জ খোইবী শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা বাবু হোটেল মনাক্তগী নমদুনা ফারগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# য়ু এনগী ৫৭শুবা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা খুরাইজম অথৌবনা ক্রোস বোর্দর নার্কো টেররিজমগী ৱাফমশিং পুখৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হৌজিক চথরিবা ৫৭শুবা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (য়ু এন ঐচ আর সী) গী পলাইজ দেস নেসন্সতা চথরিবা মীফমদা মণিপুরগী ইপসাগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং কোকোমিগী ৱাঙাঙলোই ওইরিবা খুরাইজম অথৌবনা শরুক য়াদুনা মণিপুরদা মায়োক্লরিবা ক্রোস বোর্দর নার্কো টেররিজমগী মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুখৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.১৮ রোম তারকপদা মহাক্না মীফম অসিগী জেনরেল দিবেটকী এজেন্দা আইটেম -থ্রী (প্রমোসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ ওল হ্যুমেন রাইটস, সিভিল, পোলিটিকেল, ইকোনোমিক, সোসল এন্দ কলচরেল রাইটস ইনক্লুদিং দি রাইট টু দিভেলপমেন্ট) গী এজেন্দাদা মহাক্না অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং মরূ ওইনা মণিপুরদা হৌখিবা থা ১৫ রোম হেনবগী মতমদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবা থৌদোকশিং থোক্লে হায়রদুনা ফীভম অসিগী মতাংদা অথুবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংবু ইম্মিগ্রেন্ট আর্মদ গ্রুপশিংনা কিহন-খংহনবগী থবক চথরে হায়বগা লোয়ননা থৌওংশিং অসি কানি পাম্বী থাবা অমসুং নার্কো টেররিজমনা থোকহনবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

---

এম এল এ ৫গী দিসক্বালিফিকেসন প্রোসিদিং

# রেস্পোন্দেন্টশিংদা পাউখুম পীরক্নবা চয়োল ৪গী মতম পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা জে দি-য়ুগী টিকেটতা কারকখিবা অপূনবা এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না বি জে পিদা ওনশিনখিবগী মায়োক্তা কোংগ্রেসকী হরেশ্বর গোশ্বামি, জে দি-য়ুগী মৈস্নাম দোরেন্দ্রো অমসুং খুরাই নান্দেবম লৈকায়দগী মংশাতাবম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ৱেদ আর্মি সাইলেস এলিয়জ ভিক্টর লৈখিদবদা প্রিপাকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী লান্মী শঙলূপ ৱেদ আর্মি (আর এ) গী কাদর লৌরেম্বম সাইলেস (২৩) এরিয়জ ভিক্টর লৈখিদবদা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমননা থোরকপা চেরোল অমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

---

# ঐগী জ্যুরিসদিক্সনদা ঐগী পৱার লৈতবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন ভাইওলেট তৌবনি, ফম থাদোকফম থোকই : আর কে নিমাই

নোমিতা খোংবান্তাবম



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** চীফ মিনিষ্টর অমনা ঐগী পাঙ্গল লৈত্রে, য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন লৌথোকখ্রে হায়রিবসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টরনা পায়শিল্লক্লে হায়বনি হায়রদুনা ঐগী লৈরিবা জ্যুরিসদিক্সনদা ঐগী পৱার লৈতবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন ভাইওলেট তৌবনি, ফম থাদোকফম থোকই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ওইরমখিবা আর কে নিমাই (রিটাইয়র্দ আই এ এস) না ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিদা মহাক্না হায়, চীফ মিনিষ্টর মশাগী জ্যুরিসদিক্সন ওইরিবা মণিপুরদা মশাগী পৱার লৈতবা অমসুং হোম মিনিষ্টরনা পায়শিল্লকপগী থৌওং অসিদদি ফম থাদোক্কদবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা পৱার লৈরিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক খক্তনি। মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং লোইশিনবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌদাং ওইগদবনি। মরমদি ইন্দিয়াগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা ঈহৌ লাক্লি। ইন্দিয়াগা য়ানরম্বা বাংলাদেশ লৈঙাকসু ইন্থুখ্রে। ম্যান্মারদনা লৈবাক অদুগী রেবেলশিংনা লম অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌখ্রে। অদুবু ম্যান্মারগীদি শুপ্নতগী আর্মদ গ্রুপশিংনা অহেনবা ওটোনোমি পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌরি।

ইন্দিয়ানা কলাদান মল্টি প্রোজেক্ট ঙাক্ল নবগীদমক সিটৱেদগী পালেতুৱাদা লাক্লগা মফম অদুদগী মিজোরাম য়ৌরকপা খক্তগী ইন্টরেষ্টতা চাইনাদা সপোর্ট তৌবনি। হায়রিবা মফমশিং অসি অরাকান আর্মিগা চিন নেসনল আর্মি, চিন দিফেন্স ফোর্সনা পায়দুনা লৈরিবনি। মসিগীদমক য়ানবা খরসু তৌরক্তুনা লোঙ টর্ম পোলিসিদা শোক্লক্কদবা ময়াম অমা লৈবগী মনুংদা পোলিটিক্সকী ফীভমসু য়াওবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না উফম থোকই। ম্যান্মারদা সুপর পৱারগী প্লেগ্রাউন্দ ওইদুনা অদুমক লৈবা য়ারক্লোই। ম্যান্মারগীসু থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিগনি। হৌজিক লৈরিবা দিষ্টেবিলাইজ তৌবগী মওং অসিদা কুইনা শাংনা লৈবা য়ারোই হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অদুক্কী মতিক থুনা হোৎনরিবমখে অফবা ওইগনি। মসি নৎত্রবদি ইন্দিয়া ফাওবা কায়থরকপা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

মীতৈ লালহৌলূপশিং, মীতৈদা প্রেসর পীরগা লান পাংবা লাক্তুনা বোর্দর সিল্ড তৌশিল্লগা ৱারী শাননবা তৌগনি হায়বদুদি য়াম্না অখুবা মীৎয়েংনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী ফীভম অসিদি সাইকোলোজিকেল অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** জে দি য়ু, মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা ওইনাম নবকিশোরগী নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ৭তা লৈবা য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নিংথৌখোং খা লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭তা মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# পুলিসনা কে ৱাই কে এলনি হায়দুনা ফাখিবা মীওই ৩ কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুংথিল ঘড়ী অৱাং লৈকায়দা লৈবা মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিগী গেট মনাক্তগী ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা কে ৱাই কে এলগী কাদরশিংনি হায়বগী চার্জ তৌদুনা ফারগা লম্ফেল পুলিসতা খূৎশিন্নখিবা মীওই অহুম অদু ঙসি সী জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিসনা নুমিৎ ১২নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকপদগী কোর্টনসু অয়াবা পীখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫